# সনালৈবাক SANALEIBAK

PROGRESSIVE JOURNALISM

www.sanaleibak.in

চহী চুপ্পা লেপ্তনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে




নুপীলান নুমিৎকা মরী লৈননা কৈরাও এসেম্ব্লি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী এম এল এ, এল রামেশ্বর মৈতৈনা কৈরাও বিত্রগী নহারোলশিং অমদি মৈরা পায়বীশিংগা লোয়ননা সোসিয়েল সার্ভিস পাঙথোকখিবগী শক্তম



স্টেট লেভেল নুপীলান নীংশিং লমজেল ওর্গনাইজেসন কম্মিটিনা শীন্দুনা নুপীলান মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতগী শিংজমৈ চীংঙামখোঙ ফাওবা চেনখিবা ২৮ শুবা নুপীলান নীংশিং লমজেল চেনবগী শক্তম অমা




নুপীলান ওবজার্ভেসন কম্মিটিনা শীন্দুনা ইম্ফালগী কৈশাম্পাৎ কৈশাম লৈকাই, য়ূমজাও লাইরেম্বী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা ৮০ শুবা নুপীলান নীংশিং থৌরম হৌদোকপগী মৈরা চুখৎপা


Volume No: 44 Issue: 017 | IMPHAL FRIDAY 13 DECEMBER, 2019 | ইরাই, পোইনুগী ১৬ নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 Price:Rs 3.60


## ৱাখলগী চিঙ্গাক

নহাক্না লৈরিবা মফমদুদগী হৌ, নহাক্কী অরৈবতুদা শীজিন্নৌ, নহাক্না ঙম্বদু তৌ

## অঙৈং–অশা

খ্বাইদগী শাবগী চাং ঃ ২৩.০৪° সি
খ্বাইদগী ঈংবগী চাং ঃ ১০.৪৪° সি
নোংজুগী চাং ঃ ০ এম এম
নুমিৎ থোকপা ঃ অয়ুক পুং–৫.৫০
নুমিৎ তাবা ঃ নুংথিল পুং–৪.২৭

## পেট্রোল, ডিজলগী মমল

পেট্রোল লিটরদা – লুপা ৭৩.৩৭
ডিজল লিটরদা – লুপা ৬৪.৫৫


X-MASS OFFER

KLV-24P413D ₹15,600 = ₹13,990
KLV-32R202F ₹22,850 = ₹17,990
KLV-32R302F ₹26,600 = ₹20,990
KLV-32R422F ₹30,300 = ₹21,990
KLV-40R252F ₹42,900 = ₹33,990
KLV-40R352F ₹47,900 = ₹34,990
KLV-43W672G ₹56,900 = ₹44,990
KLV-50W672G ₹64,900 = ₹57,990

SONY HOUSE
VIDEOCON HOUSE
PAONA BAZAR, IMPHAL


# সি এ বি– অসাম, ত্রিপুরা অমসুং মেঘলায়াদা পাক–শন্না ইরাং থোক্লে

## গুৱাহাটিদা পুলিসনা কাপ্পদা মীওই অহুম শিরে, শিলোংদা কার্ফিয়ু থমখ্রে



গুৱাহাটি,দিসেম্বর ১২ (এস এন এস) ঃ পার্লিয়ামেন্টতা সিটিজেনশিপ এমেন্দমেন্ট বিল (সি এ বি) ২০১৯ পাস তৌখ্রবা মতুংদা অসাম, মেঘলায়া অমসুং ত্রিপুরাগী মফম কয়ামরুমদা পাক–শন্না ইরাং থোক্লে। ইরাংশিং অসি লাকশিন্ননবা মফম কয়াদা লান্মী শীজিন্নবা হৌখ্রে। পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা গুৱাহাটিদা প্রোটেষ্ট তৌবা য়াওবা মীওই অহুম শিরে, মীওই মরি নোংমৈ মরুনা পান্দুনা শোক্লে।

গুৱাহাটিদিগী ফংবা পাউনা হায়, ইরাং লাকশিন্ননবা গুৱাহাটি সিটিদা কার্ফিয়ু থমজরগসু কার্ফিয়ুগী অথিংবা কিদনা মীওই লীশিং কয়া লম্বীদা থোক্লরকখি। মসিগা চপ মান্নবা ইরাংশিং ষ্টেট অসিগী তোঙান তোঙানবা মফম কয়ামরুমদসু পাক–শন্না শন্দোরকখ্রে। ডিমাপুরগা তায়ননা লৈবা কাবিআং লোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা বোকাচানদসু মীয়াম্না প্রোটেষ্ট তৌখ্রে। কার্ফিয়ু মখা তানা শাংদোকখ্রে। মোবাইল ইন্টরনেট সার্ভিস মতম কক্তনা থিংজিনখ্রে।

গুৱাহাটিদা ফোরেন দেলিগেসন অমগী কনভোইদা নুঙ থারুবা কাঙবুদা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই অমা শিরে, অতৈ অহুম অমনা নোংমৈনা পানদুনা শোক্লে। গাড়ী কয়া মৈ থাখ্রে। মফম কয়াদা পুলিসনা টিয়ার গ্যাস, রবর বুলেট কাপ্তুনা খোঙজং চঙশিল্লিবশিংবু তানখায়বগী থবক চঙশিল্লি।

অতোপ্পা থৌদোক অমদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম প্রোটেষ্ট তৌরিবা মীয়াম মরক্তা পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা মীওই অমা শিখি। মহাক গুৱাহাটি মেডিকেল কোলেজ হোস্পিটালদা লায়কন্ননবা পুখৎলক্লবা মতুংদা মখা লমায় ৩দা...

### সি এ বিগী মায়োক্তা ঈহৌ

- পুলিসনা নোংমৈ কাপ্পদা প্রোটেষ্ট তৌবা মীওই অহুম শিরে। গাড়ী ১০০ গী মথক্তা মৈ থাখ্রে।
- আর এস এসকী ওফিস, বি জে পিগী ওফিস মৈ থাখ্রে। চীফ মিনিষ্টর সোনোৱালগী ময়ূমদা নুঙনা লান্দাখ্রে।
- ফ্লাইট সার্ভিস লেপখ্রে, ত্রেন গাড়ী চেনখিদ্রে। কার্ফিয়ু শাংদোকখ্রে।
- দিসেম্বর ২২ ফাওবা স্কুল, কোলেজশিং ছুটি থাদোকখ্রে।
- অসামগী মফম কয়াদা ইরাং শন্দোরকপদগী অসাম রাইফলস শীজিন্নবা হৌখ্রে।
- শিলোংদা কার্ফিয়ু থমখ্রে, মোবাইল ইন্টরনেট সার্ভিস থিংজিনখ্রে। গাড়ী কয়া মৈ থাখ্রে।
- ত্রিপুরাদসু মখা তানা ইরাং লৈরি, ত্রাইবেলশিংনা নম্না তাবা মফমশিংদা কার্ফিয়ু থম্লি।

### নুপীলান নীংশিং থৌরম মফম কয়াদা পাঙথোক্লখ্রে

# নুপীলানগী থৌরম মীয়াম্না শরুক ইয়া য়াদবদা সি এম নুংঙাইখিদ্রে



ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (এস এন এস) ঃ ললোনবশিংনা চেঙ মপানদা থাদোকখিবদগী পোইনুগী মতমদা কৈথেলদা চেঙ ৱানবা ফংলক্তবদগী হৌরকখিবা নুপীলান অদুবু নীংশিবা ওইনা ঙসি মণিপুর য়াওনা তোঙান তোঙানবা মফম কয়ামরুমদা নুপীলান নীংশিং থৌরম পাঙথোক্লখ্রে।

মপূং ওইবা থৌরম ওইনা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা লুচিংদুনা মশক নায়বা মীওই কয়ামরুমগা লোয়ননা নুপীলান মেমোরিয়েল কমপ্লেক্সতা লৈ কৎতুনা লাইওইখ্রবী ইমাশিংগী মফমদা ইকায়খুম্নবা উৎখ্রে।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা চীফ মিনিষ্টরনা হায়খি, হৌখিবা কুমজা ১৯০৪ অমদি ১৯৩৯ দা তাঙ্কক অনীরক থোক্লা থোকখিবা নুপীলাননা পীরম্লিবা মেসেজ অসি হৌগৎলক্লিবা লমদম অসিগী নুপী ওইবীশিংদা নীং থিনা খঙহন্দুনা নুপীলানগী থৌরম অসি ৱাহন্থোক লৈনা পাঙথোক্লবা কেবিনেটতা খন্নরগনি।

মণিপুর লৈঙাক্না শীন্দুনা ঙসি নুপীলান কমপ্লেক্সতা পাঙথোকখিবা নুপীলান নীংশিং থৌরমদা অথোইবা মীথুংলেন ওইনা শরুক য়াখিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়, নুপীলান নীংশিং থৌরম অসি লৈঙাক্না লৌশিল্লগা পাঙথোক্লবা হায়রম্বা ইমা–ইবেনশিং লৈঙাক্না শীন্দুনা পাঙথোক্লবা মতুংদা শরুক ইয়া য়াদবসি নুংঙাইতে। লমদম অসিবু নুপী ওইবিশিংনা থৌনা ঙাক্তুনা লাকপগী পাউজেল পীরিবা থৌরম অসি য়ান্না মরু ওইবা থৌরমনি।

থৌরম অসিবু তরাই তরাইনা লৈ খরা কৎলগা মমিংতগী পাঙথোকপগী মহুত্তা লৈকাই খুদিংগী নুপী ৫০ / ৫০ রোম খনগৎলগা মখা লমায় ৩দা...

# শীংনরকপা খুদিংমক অমত্তা ওইনা থেংনমীন্নসি: ওবজার্ভেসন কম্মিটি

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (এস এন এস) ঃ ইপা ইপুশিংগী অঙাঙবা ঈখেং তনা য়েকপীরম্বা ঐখোয়গী ইরৈবাক অসিগী ঙমখে ঙসিগী মীরোল ঐখোয়না চেকশিন্না শেন্নদুনা থম্বা হায়বসি ঐখোয়গী শোয়ফদ্রবা ইথৌ অমনি। মরম অসিনা ঙসিসু শীংনরকপা খুদিংমক থৱায়গা হকচাংগা খায়নদ্রি ফাওবা ইরৈবাক্কীদমক থেংনমীন্নসি হায়না ৮০ শুবা নুপীলান ওবজার্ভেসন কম্মিটিগী কনভেনর নামৈরাকপম চিংখৈঙানবীনা ফোঙদোকখ্রে।

কম্মিটি অসিনা শীন্দুনা ঙসি কৈশাম্পাৎ কৈশাম লৈকাই য়ূমজাও লাইরেম্বী কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা ৮০ শুবা নুপীলান থৌরম নুমিৎ অদুগা মরী লৈননা মহাক্না মখা তানা হায়, মালেমদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা মওংদা ঐখোয়গী ইরমদম অসিদা হৌখিবা চহী ১৯০৪ অমদি ১৯৩৯ দা থোকখিবা নুপীলানশিং লমদম অসিগী ওইনা মুৎপা নায়দনা লৈহৌরগদবা য়াম্না মরু ওইবা থৌদোকশিংনি। নুপীলান অসি করম্বা মতমদা করিগীদমক থোকখিবনো লোয়ননা করিগী মখা লমায় ৩দা...

# রেপ, পোক্সো কেস থা ৬ কী মনুংদা লোইশিন্নবা খঙহনখ্রে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (এস এন এস) ঃ লৈবাক পূম্বা থম্মোয় শোকখিবা হায়দরবাদ অমসুং উত্তর প্রদেশকী য়ুনাও দিষ্ট্রিক্টতা থোকখিবা রেপ অমসুং ভিক্টিম হাৎপগী থৌদোক অদুগী মতুংদা সেন্ত্রেল গভর্ণমেন্টকী অচৌবা খোঙথাং অমা ওইনা লো মিনিষ্টর রবি শঙ্কর প্রসাদনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা হায়কোর্ট খুদিংমক্কী চীপ জষ্টিসশিংদা রেপ অমদি পোক্সোগা মরী লৈনবা কেস খুদিংমক থা ৬ কী মনুংদা লোইশিন্নবা চে থাদুনা খঙহনখ্রে।

লোয়ননা চীফ মিনিষ্টর খুদিংমক্তসু লোইশিন্দনা লৈরিবা কেসশিং অথুবদা লোইশিন্নবা লো মিনিষ্টরনা চে থাখ্রে।

লো মিনিষ্টর রবি শঙ্কর প্রসাদনা ইন্দিয়া পূম্বগী ওইনা ফাষ্ট ট্রেক কোর্ট অনৌবা ১,০২৩ লিংদুনা ত্রাইয়েল চথবা অমসুং চৈরাক ওইবদা খোঙজেল য়াংহনবা ৱাল্লগনি হায়না ফোঙদোকখি। ইন্দিয়া পূম্বগী ওইনা হৌজিক ফাষ্ট ট্রেক্ট কোর্ট ৭০০ লৈরি, অনৌবা ১,০২৩ হাপচিল্লবদি পূম্না ১,৭২৩ শুরগনি।

তমথিনা রেপ তৌদুনা হাৎখিবা থৌদোকশিং অদুগা মরী লৈননা লৈবাক শিনবা থুংনা মীয়াম্না থৌদোক অদুগী অচুম্বা অথুবদা পুথোক্তুনা মরাল লৈবশিং চৈরাক পীননবা ঈহৌ কয়া চঙশিল্লকখিবা অদুগা মরী লৈননা ফাষ্ট ট্রেক্ট কোর্টমশীং হেনগৎহনবগী ৱারেপ অদু লৌখিবনি।

নীংশিংবা য়াবদি, হৌখিবা থা অসিগী দিসেম্বর ৫ দা চহী ২৩ খক্তা ঙাইরিবী গেং রেপকী ভিক্টিম অমনা মহাকথক্তা চথখিবা রেপ কেস অদুগা মরী লৈননা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবশিং অদুগী মথক্তা চথরিবা কেস অদুগী হিয়ারিং য়াওনবা চৎপগী লম্বীদা রেপ কেস অদুদা চেন্নবা নুপা অনী য়াওনা নুপা ৫ না ভিক্টিমদুবু হিংনা মৈ থাখিবনি। মহাক্কী হকচাং চাদা ৯০ মৈনা চাকখিবদগী সেফদারজুং হোস্পিটালদা দিসেম্বর ৬ তা লৈখিদবনি। মহাক্কী হকচাং পোৎলোইদ্রিঙৈ মাঙওইননা মহাক্কী মচেনা চীফ মিনিষ্টর যোগী অদিত্যনাথ খুদক্তা লাক্লবা অমসুং থৌদোক অদু থোকখিবগী মতাংদা অচুম্বা ৱায়েল খুদক্তা পীননবা ৱাকৎখি।

অমরোমদা, হৌখিবা নবেম্বর ২৭ তা চহী ২০ লোমদা ঙাইরিবী ভেটেরিনরি ডোক্তর অমা গেং রেপ তৌদুনা হাত্তোক্লবা মথংদা মৈ থাদোক্তুনা হুন্দোক্লমখি। মহাক্কী মৈনা চাক্লবা অশিবা হকচাং অদু মথংগী নুমিৎতা পুলিসনা রিকোভর তৌখি। লোয়ননা এক্যুজ ৪ পুলিসনা মখা লমায় ৩দা...

# নেফিপ: কেন্দলাইট প্রোটেষ্ট তৌবিয়ু

ইম্ফাল,দিসেম্বর ১২(এস এন এস)ঃ লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংদা হৌজিক সি এ বিগী মায়োক্তা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদা অনকনি দস্নেল সপ্পোর্ট পীবা ওইনা মীয়াম্না হয়েং দিসেম্বর ১৩গী নুমিদাং পুং ৬ তাবা মতমদা কেন্দল লাইট প্রোটেষ্ট পাঙথোকপীনবা নোৰ্থ ইষ্ট ফোরম ফোর ইন্দিজিনস পীপল (নেফিপ)না মীয়ারমদা আপীল তৌরি।

নেফিপকী সেক্রেটরী মেদিয়া, খুরাইজম অথৌবনা খূৎয়েক পীদুনা প্রেসতা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক ষ্টেট শিনবা থুংনা অকনবা খোঙজং চঙশিল্লিঙৈগী চৈরক্তা ইন্দিয়া লৈঙাক্না মীয়ামগী সেন্টিমেন্ট খঙদনা চয়েৎনরিবা সি এ বি, ২০১৯ হাউস অনীমক্না পাস তৌখিবা অসি পেন্দে।

লোগী ৱাংমদা চঙশিল্লকপা মীতোপশিংবু নেচরেলাইজ তৌনবগীদমক সিতিজেনশিপ পীবা অসিনা লমদম অসিদা চাউনা অকিবা ফাওহল্লে লোয়ননা লোয়ননা সি এ বিগী অকিবদগী কোকহন্নবা অমদি ঙাকথোকচবা মখা লমায় ৩দা...

## লোইরেদনা

খোঙজং চঙশিনবদা ভাইওলেন্স তৌরদি হেক্তা ফারনি হায়রিসিবু কমদৌজাৎনো!



এ! অদুদি মীয়ামবু ইরাং হৌহন্নবা তৌরিবশিংদি মনা পীগনি হায়ৱা...!

# সি এ বি– ব্লেক বেজ থেৎপগী খোঙজং ঙসিদগী হৌরনি: মেনপেক

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২(এস এন এস)ঃ সি এ বিগী মায়োক্তা চঙশিল্লকপা খোঙজংগী শরুক অমা ওইনা ত্রিপুরা অমসুং অসামদা মীওই কয়া হাৎখিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা মফম অদুগী মীয়ামগী খোঙজং ইকায়খূম্নবা উৎপা ওইনা মেনপেকনা হয়েংদগী দিসেম্বর ১৫ ফাওবা ব্লেক বেজ অমদি অমুবা ফিরাল চিংখৎতুনা শরুক য়াগদৌরি।

মেনপেকী কনভেনর য়ুম্নামচা দিলিপকুমারনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, সি এ বিগী মায়োক্তা চঙশিনবা খোঙজংদা লৈখিদ্রবশিংদা ইকায়খূম্নবা উৎপা ওইনা হয়েং নুমিদাং কংলাগী নোংচুপ থংবা সনথোঙদা মৈরা কৎতুনা অৱাবা ফোঙগনি। মেনপেকী থৌমীশিংনা থৌরম অসি শরুক য়াবিয়ু।

চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, মমাঙদা পাঙথোক্কনি তৌরম্বা রেভিয়্যু মীট অদু লাক্লিবা দিসেম্বর ১৪ গী অয়ুক পূং ১১ দা লময়ানবা শঙলেনদা পাঙথোক্লগনি। মীফম অসিদা অৱাং নোংপোক্তা সি এ বি চৎনবা য়ারোই হায়বগী খোঙজংদা মণিপুরগী ওইনা আই এল পি চৎনরকপা মতুংদা মেনপেককী ওইবা করম্বা খোঙথাং লৌগদগে হায়বগী মতাংদা খন্নগনি। মরী লৈনবা পূন্নমক্না মীফম অসিদা শরুক য়াবিয়ু।

চেরোল অসিনা হায়, মীওই লাক্ষ কয়ানা ইরাং হৌরিবা এন্তি সি এ বিগী খোঙজংদা য়েলহৌমী ত্রিপুরিশিং জঙ্গলদা লোত্তুনা খাঙলি। অসাম অমদি ত্রিপুরাগী থৱাই কৎখ্রবা মীওইশিংবু ইকাই খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা সিটিজেন্সিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল (সি এ বি) গী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখিগনি।

চেরোল অদুনা হায়, সি এ বি নোর্থ ইষ্টতা চৎনবা য়ারোই হায়বা খোঙজং অসিদা মণিপুরগী ওইনা মেনপেকনা মণিপুর মীয়ামগা লোয়ননা খোঙজং কয়া চঙশিনখি। মখা তারকপা ওইনা হৌখিবা থা মখা লমায় ৩দা...

# ইন্দিয়াগী লৈঙাক্লোন অসিদি মকোক ঙাওরবা তেলঙ্গাগা পাঙ্খকনি: সমরজিৎ

ইম্ফাল, দিসেম্বর ১২ (এস এন এস) ঃ বৃটিশনা শেল্লম্বা এক্ট, লো, ওর্দর ময়াম অমা অদুম হিংলগা লৈরি অমদি চৎনরি অদুগা রিপব্লিক কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়ানা য়াম্না ময়েক শেংনা এক্সিষ্টিং লো হায়বসি করিনো ইরগা লৈরিবনি। ইন্দিয়ান গভর্ণমেন্টগী লৈবাক ঙাক্লোন অসিদি মকোক ঙাওরবা তেলঙ্গা অমগা পাঙ্খকনি হায়না মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী ফোরেন এফিয়ার্স এন্দ দিফেন্স মিনিষ্টরসু ওইরিবা ৱাঙাংলোই নারেংবম সমরজিৎনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

লন্দনদা পোলিটিকেল এসাইলম লৌদুনা লৈরিবা কাউন্সিল অসিগী ৱাঙাংলোইনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তানা হায়, কন্সটিট্যুসন ওফ ইন্দিয়া অসি হন্দ্রেদ তাইমস এমেন্দ তৌরে অদুগা থাউজন তাইমস এমেন্দ তৌগদবা ৱাংলি। কন্সটিট্যুসন অমনা ষ্টেট অমদগী হেন্না শেম্বা য়াদে অদুবু ইন্দিয়াগী কন্সটিট্যুসননা ষ্টেট ২৭ হেন্না শেম্লি।

নাগা হিলস, লুশাই হিলস, চিন হিল, খাসি হিলসদি ত্রাইবেল এরিয়ানি অদুগা কিংদম নত্তে অদুগা কোলোনি অমসু নত্তে। অসাম কোলোনিয়েল প্রোভিন্সতগী এক্সক্লুদেদ তৌখিবনি। অসাম প্রোভিন্স হায়বসিদি বৃটিশ কোলোনি অমনি। হায়রিবা অসাম প্রোভিন্স অসিদগী সাইমোন কম্মিসনগী মনুংদা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া এক্ট ১৯৩৫ ইনেক্ট তৌরগা নাগা হিলস, লুশাই হিলস, চিন হিলস অমসুং খাসি হিলসশিং অসি এক্সক্লুদেদ মখা লমায় ৩দা...

## হেক্তা হায়জিনবা

### মরৈবাক নীংবা

মরৈবাক হেক্তা নীংবনি
ভোটপু হেক কারবা
মরৈবাক হেক্তা নীংবনি
ঠিকাদার ওইগে ওইসনু
ব্লেক মার্কেটর ওইগে ওইসনু
নোংমৈ লল্লোনবা ওইসনু
দ্রগ লল্লোনবা ওইসনু
কিহল্লগা পৈশা তানসনু
নুপী উবা য়াদবা ওইসনু
ভোটপু হেক কারবা
মরৈবাক হেক্তা নীংবনি
পৈশা খরবু পায়রবা
নোংমৈ পায়ববু লোইরবা
মী লৈবা ঙম্লবা
দ্রগ সপ্লাইবু ঙম্লবা
য়ুগী ঈচেল লৈহল্লবা
ভোট হেক্তা কাবনি
ভোটপু হেক কারবা
মরৈবাক হেক্তা নীংবনি





